# ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৮
## নাকো নম্বুল মপাল অমদি ত্রাউ ক্বাকৈথেল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনন শীন্দুনা টিম ১২না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নাকো নম্বুল মপাল অমদি ত্রাউ ক্বাকৈথেল মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ / ৩ ফঙনখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৬৩শুবা মেটচতা নাকো নম্বুল মপালনা নিশা থাংমৈবন্দবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নদুনা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চীংশিনখি। টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফতা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা কয়া ফঙনরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা নিশানা বোল হেন্না পায়দুনা গোল চন্নবদগীদমক নাকোগী মাইকৈদগী এটেক্ট চথবা হৌরকখি। এটেক্ট অদুগী হোৎজমন ফঙদুনা মিনট ৫৫ চৎপদা নিশাগী জর্সি নম্বর ২৩ শঙ্করনা গোল চনদুনা মাংজিল থানা চৎখি। নিশানা গোল মাংজিল থারবা মতুং মেটচ অসি মায়োল অমদা লাক্তুনা গোলদা শোথরিবা নাকো নম্বুল মপালনা লাকশিন্না শান্নরকপদগী মেটচকী মিনট ৭৮তা নাকোগী জর্সি নম্বর ৫ এন তোমনাওনা গোল হন্দাক্তুনা মেটচ অসিগী লমজেলনা য়াওশিল্লকপগা লোয়ননা নাকোনা মেটচ অসি মাই পাক্লবগীদমক এটেক্ট হেন্না কনশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম ৯০ প্লস ৩ দা নাকোগী জর্সি নম্বর ১১ এমদি রোহিটনা গোল অমগা চনদুনা নাকোনা মেটচ অসি ২–১ দা মাই পাকখি।

মেটচ অসিদা নাকোগী জর্সি নম্বর ৪ এস রহুলদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এম ইবুংঙো, এস তোম্বী, ঐচ মাহেস অমদি ঐচ সন্তোসনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চথরিবা লীগ অসিগী অরোইবা লীগ রাউন্দগী মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দগী ৬৬শুবা মেটচতা ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা ব্রাইপিঐচয়ুবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ত্রাউনা গোল হেন্না পায়দুনা ব্রাইপিঐচয়ুগী মাইকৈদা প্রেসর পীশিন্দুনা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথদুনা ব্রাইপিঐচয়ুগী দিফেন্দরশিংগী মথৌ চীলহনখি।

মেটচ অসিগী মিনট ৩২ চৎপদা ত্রাউগী জর্সি নম্বর ১০ প্রিন্ট ব্রিল্লিয়মনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা ত্রাউনা মাংজিল থানা চৎখি।

গোল চল্লবা মতুং মখা তারকপা মিনটশিংদসু ত্রাউনা বোল পোসিসন কাইদনা শান্নদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা প্রিন্ট ব্রিল্লিয়মগী গোল অদু মাংজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা ব্রাইপিঐচয়ুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা খরা ফঙলবসু ত্রাউগী দিফেন্দরশিংনা মথৌ খঙনা পাঙথোক্তুনা ব্রাইপিঐচয়ুগী এটেমশিং অদু গোলদা ওন্থোকহনদনা অরেম্বা তাহনখি।

মেটচ অসিগী লোইরমদাই মিনটশিংদা ত্রাউনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা শান্নরকপগী মহৈ ফঙদুনা অপীবা মতম লোইরমদাই মিনট ৮৯ চৎপদা ত্রাউগী জর্সি নম্বর ৯ পিটর সিমৈথাংনা টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা মেটচ অসিদা ২–০ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা ব্রাইপিঐচয়ুগী জর্সি নম্বর ৩ এম জিমিদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এল প্রিয়োবট্ট, এল সনাতোম্বা, স্প্রিন্সন অমদি কেঐচ ইবুংঙোনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চথরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী লীগ রাউন্দগী মেটচ লোইখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৭ তগী নোক আউত ষ্টেজতা এমএ অমদি এমনা অহানবা অমসুং ত্রাউ অমদি টিএম রাউগা শান্নরগনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনন শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ৫না শরুক য়াদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা বিএমএসসি গ্রাউন্দা চথরিবা ৮শুবা কাংজম করনজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পময়াল পাটসোই অমদি এসদিসি শমুরৌ মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙনখ্রে।

লীগ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা পময়াল পাটসোইনা এমটিএসয়ু মালোমবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা পময়াল পাটসোইনা এমটিএসয়ুগী দিফেন্সশিংগী অশোইবগী তাঞ্জা লৌদুনা চথরকখিবা এটেক্টশিংদা মশিং থিঙমদ্রবা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা কয়া ফঙলবসু এমটিএসয়ুগী গোল কিপরনা নিংথিনা শান্নবদগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চান্নদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা পময়ালনা গোলদা ওন্থোক্লবা অনৌবা লাল্লোং শিজিন্নদুনা শান্নরকপগা লোয়ননা এমটিএসয়ুগী দিফেন্স এরিয়াশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট চথরকখি।

এটেক্টশিংদুনা মরম ওইরগা মেটচকী মিনট ৪৯দা জর্সি নম্বর ৮ এস অবুংনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা পময়ালগী টিমদা থৌনা হাপ্তুনা মখা তরকপা মিনটশিংদসু অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৬১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৫ ঙাইরোনমীনা গোল অমগা চনদুনা পময়ালনা ২–০ দা মাংজিল থাখি। মেটচকী মিনট ৭০ চৎপদা অহানবা গোল চনখিবা এস অবুংনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা মেটচ অসিদা পময়ালনা এমটিএসয়ুবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা পময়ালগী জর্সি নম্বর ৫ দব্লিউ প্রেমচান্দ, জর্সি নম্বর ২ পি দিপক, জর্সি নম্বর ৮ এস অবুং অমদি এমটিএসয়ুগী জর্সি নম্বর ২ আই সুরজতা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এ দিল্লিপ, এল সান্তা, টি হেমন্ত অমদি এল সনাতোম্বানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এসসি শমুরৌনা ৱাইএসসি ঙাইরংবমবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হৌরকপগী মিনট ২ চৎপদা এসদিসি শমুরৌগী জর্সি নম্বর ৭ কিষননা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা মাংজিল থানা চৎখি।

অহানবা গোল চল্লবা মতুংদসু এসদিসিনা লাকশিন্না শান্নদুনা মেটচকী মিনট ১২ তা জর্সি নম্বর ২১ নাওবোইনা টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা ২–০ দা লৈখি।

এসদিসিগী অহুমশুবা গোল অদু মিনট ২০ দা জর্সি নম্বর ১৪ অমরজিৎনা চন্দুনা ৩–০ দা লৈদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গো শোথরিবা দব্লিউএসসি ঙাইরংবমনা গোল হন্দাক্লবা শান্নরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদে। এসদিসি শমুরৌগী মরিশুবা গোল অদু মিনট ৩৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ২১ নাওবোইনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা চনখি।

মেটচ অসিদা এসদিসি শমুরৌগী জর্সি নম্বর ৮ রোনাল্ডোদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এল অজিৎকুমার, টি হেমন্ত, এস সান্ত অমদি কেঐচ রঞ্জিৎনা মথংশিংনা রেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ১২.১৫ দা এসৱাইপিএ সেকমাই অমদি এস সিদ সি শামুরৌগা অহানবা গ্রাউন্দা অমদি নুংথিল পুং ২ দা পময়াল পাটসোই অমদি দব্লিউএসসি ঙাইরংবমনা অনীশুবা গ্রাউন্দ ওইনা শান্নরগনি।

# ১৬শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ –১৯
## ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনন শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৭না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমদি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা শান্নগদবা১৬শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাইদব্লিউসি লংথবালনা চেম্প খাগেম্পালিবু ৱিকেট ৪দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা চেম্পা খাগেম্পালিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌবদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৬৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ৱাইদব্লিউসি লংথবালনা ওভর ২৯.৩ দা ৱিকেট ৬ তুরগা অপীবা তারগেট ১৬৯ লৌদুনা মেটচ অসিদা ৱাইদব্লিউসি লংথবালনা ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।

চেম্পকী বেট্টিংদা রোবিন্সনন বোল ৪২ দা রন ৩৩, জোদিবানা বোল ১২ দা রন ২৩, গুলসোনন্দনা বোল ৩৭ দা রন ৩৩ অমদি রতননা বোল ২২ দা রন ২৫ লৌখি। ইন্নিংস অসিগী ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী বোল্লিংদা সনান্দতা ৱিকেট ৩, রোজে সকুমারনা ৱিকেট ২ অমদি প্রেমচান্দ অমসুং গোজেন্দ্রোনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী বেট্টিংদগী সমানন্দনা গোল ৫১ দা রন ৫৮, সক্সিকান্তনা বোল ৪৩দা রন ৪০ অমদি উমাকান্তনা বোল ৩৪ দা রন ১৪ লৌখি। ইন্নিংস অসিগী চেম্পকী বোল্লিংদা ইবোবীনা ৱিকেট অহুম অমদি হোমেশ্বরনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী রন ৪০ অমদি ৱিকেট অহুম লৌখিবা সসিকান্তনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি নম্সা খা ইম্ফালগা শান্নরগনি।

# ১০শুবা রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল ২০১৮
## এলএলকে করাম অমদি এমপিএসসি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ক্যামগৈনা শীন্দুনা থা অসিগী ২২ দগী টিম ১৮ না নোক আউত বেসিসতা শরুক য়াদুনা ক্যামগৈ ময়াই লৈকায়দা লৈবা ক্যামগৈ আইদেল হায়স্কুল গ্রাউন্দা চথরিবা ১০শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এলএলকে করাম অমদি এমপিএসসি মাইপাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দ এমএমকে করামনা এনএসএস (এ) পুংদোংবমবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা মশা–মশাগী এটেক্টিং এরিয়াশিংদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফঙনখ্রবসু টিম অনীমক্কী গোল কিপরশিংনা নিংথিনা সেব তৌবদগী গোলদা ওন্থোকপা ঙমনদনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা ০–০ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এলএলকে করামনা মেটচ অসি লাকশিন্না শান্নরক্তুনা অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী অঙনবা মিনট ২২ দা জর্সি নম্বর ৮ রোজরনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা মাংজিল থানা চৎখি।

এলএলকেনা গোল চনখ্রবসু মতুংদা গোল শোথরিবা এনএসএস (এ) গী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দাক্লবা শান্নরক্তুনা এলএলকেগী মাইকৈদা এটেক্ট কয়া চথরকখি। অদুবু এটেক্টশিং অদু এলএলকে গী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা ঙাকথোক্তুনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। মেটচ অসিগী লোইরকপা মিনট ৪০ দা এলএলকে গী জর্সি নম্বর ১০ বিশ্বরজিৎনা গোল অমগা হাপচিনদুনা মেটচ অসি ২–০ দা মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এমপিএসসিনা লংথবাল এফসিবু য়াম্না লাকচনা গোল ১০–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এমপিএসসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২০ দা তোম্বানা মিনট ২, ১৬, ১৭ অমদি ১৮ দা গোল মরি চনখি। জর্সি নম্বর ৯ নাওবানা মিনট ৬ অমদি ১১ দা গোল অনী অদুগা জর্সি নম্বর ১৯ কিরননা মিনট ৭তা গোল অমা চনদুনা অহানবা হাল্ফতা এমপিএসসিনা গোল ৭ চনদুনা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এমপিএসসিগী জর্সি নম্বর ২০ তোম্বানা মিনট ২১, ২৬ অমদি ২৭ দা গোল অহুমগা অমুক হাপচিনদুনা এমপিএসসিনা পুন্না গোল ১০ চনখি।

মায়থিরবা লংথবাল এফসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৩ কনাওনা মিনট ২৪ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা এনএসএস (বি) পুংদোংবম অমদি ব্রদর্স এফসি কপ্রাংনা অহানবা মেটচ অমসুং অনীশুবা মেটচতা রোজিৎ এফসি লৈমরাম অমদি পান্থোইবী এফসি লংথবালনা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

# ২৫শুবা থাঙ–তা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

কর্নাতকাদা পাঙথোকখিবা ২৫শুবা থাঙ–তা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকখিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোই দব্লিউ নাওবী মৈতৈনা গোল্ড মেডল, এল দোরেন মৈতৈনা সিলভর মেডল অমদি ৱাই ইচনতোম্বী চনুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌরকপদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসন (জেদিটিটিএ), জিরিবাম, মণিপুরনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা তরাম্না ওকখ্রে।

জেদিটিটিএ, জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা শামু পুনবী, কম্যুনিটি হোলদা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখ্রবা জিরিবামগী শান্নরোই দব্লিউ নাওবী মৈতৈ, অপোকপা দব্লিউ লোকেশ্বর মৈতৈ, সোরোক অচিংবী খুনৌ জিরিবাম, এল দোরেন মৈতৈ, অপোকপা এল লালবাবু মৈতৈ, শামু পুনবী, জিরিবাম অমদি ৱাই ইচনতোম্বী চনু, অপোকপা ৱাই রোমেন মৈতৈ, শামু পুনবী, জিরিবাম অহুমবু তরামনা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পোইন্ট ৩০৩ ফঙদুনা মণিপুর টিমনা চেম্পিয়ন্সিপ লৌরক্লি। অদুতা নত্তনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শান্নরোই ১২৩ না গোল্ড মেডল, শান্নরোই ৭৭না সিলভর মেডল অমদি শান্নরোই ৬১ না ব্রোঞ্জ মেডল ফঙনখি। অদুগী মতুংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নরোই ৩সু য়াওরকখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মাই পাক্লবা শান্নরোই অহুম অসিনা হায়রিবা ২৫শুবা থাঙ–তা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অসি য়ৌনবা হোৎনবা অৱাবা কয়া ময়োক্লখি। শাবা অসিগী প্রক্টিস তৌফম লৈতবদগী অৱাবা, চেম্পিয়ন্সিপ অসি য়ৌবদা চঙগদৌরিবা পৈশা অদু লৈতবদগী সনা বন্ধোপ থমদুনা চৎলি অসিগী অৱাবা অমদি ৱাই ইচনতোম্বী চনুনা এক্সামনা মরম ওইদুনা শান্নবা অসি য়াওবা ফঙলোইদৌবগীদমক্তা মহাক্কী ওইনা নোংমদা সবজেক্ট অমা থাগদবা অদু সবজেক্ট অনী থাদুনা এক্সাম লোইশিল্লগা অশুম্না য়াম্না ৱানা চেম্পিয়ন্সিপ অসি য়াওরুবগী মহৈ ঙসি মায় পাকপা ঙম্লিবনি।


ADMISSION NOTICE

KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL

(Co-education English Medium School)

AFFILIATED TO CENTRAL BOARD OF SECONDARY EDUCATION, NEW DELHI

Affiliated No. 1230047, School No. 31041

Sagolband Takyel Kolom Leikai, Imphal West

ADMISSION OPEN FROM PREPARATORY TO IX GRADE

CONTINUOUS BEST RESULTS IN CLASS-X

- Introduce Lego based Robotics & 3D Printing into the curriculum.
- Introduce Montessori method of Teaching
- Audio-visual teaching aids & smart class
- CCTV Camera of all class
- 24 hrs wifi internet on school campus
- Computer lab with wifi internet
- Full CCTV Surveillance on school campus
- Introduce RFID based smart attendance system in the school campus and the vans.
- Hygienic RO-Drinking Water
- Hostel Available for boys
- Van Service Available



SI/3001/30days alt

Prospectus & Registration form available at school

For more details please contact: Principal, Kindergarten Montessori School.

email: kindergarten.imphal@gmail.com

website: www.kindergartenimphal.in


# ৮শুবা ষ্টেট লেভেল ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৮
## নিংথৌজম সন্তোসনা নুপা অমদি লাইশ্রম অসিকানা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

অপুন্বা ফিটনেস সেন্টর (এএফসি) ইম্ফালনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেজ কম্পাউন্দা লৈবা এমএসএফদিএফ তা ৮শুবা ষ্টেট লেভেল ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৮ পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোখিবা ত্রান্সফোর্মেসন অসিদা কোন্থৌজম কেন্দ্রগী এমএলএ ডাঃ সপাম রঞ্জনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর লেজিসলেটিপ এসেমব্লিগী মেম্বর লৌরেম্বম রামেশ্বর মৈতৈনা প্রসিদেন্ট অমদি সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী ডাইরেক্টর সলাম কুঞ্জাকেশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওন্নরনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তা নিংথৌজম সান্তোসনা অহানবা তাখি। চোংথাম জোন্সননা অনীশুবা অমদি জেমস নিংথৌজমনা অহুমশুবা তাখি। চেলেঞ্জ অসিগী নুপাগী ৪০প্লাস ৱিন্নরনা ক্রুক নম্বর ১৬৯ জোটি চিরোমনা তাখি।

ত্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা লাইশ্রম অসিকানা অহানবা তাখি। লিনসু য়েংখোমনা অনীশুবা অমদি খোমদ্রাম পোনিমানা অহুমশুবা তাখি। নুপীগী ৪০ প্লস ৱিন্নরনা ক্রুগ নম্বর ১৮৬ লৈশাংথেম লক্ষমিনা তাখি।

মেন বেষ্ট ত্রেনরদা সান্তোস কোন্সম অমদি ফেমেল বেষ্ট ত্রেল্লরনা রোমি য়েংখোমনা তাখি।

# অহানবা এএনৱাইটিকে দে এন্দ নাইট সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

অপুনবা নহারোল য়াইফা থৌশিল কাংলূপ থাংমৈবন্দ থিঙেল পুখ্রি মপালনা শীন্দুনা এএনৱাইটিকে গ্রাউন্দা পুন্না টিম ২৫না গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা এএনৱাইটিকে দে এন্দ নাইট অন্দর–১৫ ফাইব মেন এ–সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ৩১শুবা মেটচতা এলএনএল লাঙ্গোল নিংথৌ অমদি কোন্থৌজম গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

এলএনএল গী গোল অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ রোনাল্ড পামৈনা মিনট ১২ চনখি।

কোন্থৌজমগী গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ এন রঞ্জননা মিনট ৩৩ দা চনখি।

৩২শুবা মেটচতা লনগৈ একাদেমী সঞ্জয়বমনা এলৱাইটিদিও ললাম্বুংবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

লনগৈগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ এন পোরৈহনবনা মিনট ২২ অমদি জর্সি নম্বর ৪ ই অবিনাসনা মিনট ২৬তা চনখি।

এলটিৱাইদিওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৫ কেঐচ হিটলরনা মিনট ৯দা চনখি।

৩৩শুবা মেটচতা চিংয়া এফসি থাংমৈবন্দনা ৱাইদিএ কেকুবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

চিংয়াগী গোলশিং অদু শ্যামসন, থৌনাওজম রোহেন, মালেম নাওসেকপম অমদি রিকি লৈশাংথেমনা চনখি।

ৱাইদিএগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সনাথোইনা চনখি।

৩৪ মেটচতা য়ুটিএলদব্লিউও (দি) উরিপোক অমদি পুখাও রেঞ্জর পুখাও গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

য়ুটিএল দব্লিউওগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৬ অনিলকুমার অমদি জর্সি নম্বর ১৭ মোনেক্সনা গোল অমমম চনখি।

পুখাওগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৬ প্রিয়োজিৎ অমদি জর্সি নম্বর ২ বিশ্বরনা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা ৩৫শুবা মেটচতা এটু পাৎসোই অমদি এসৱাইপিওএল লোইতাং সান্দুম গোল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

এসৱাইপিওএল লোইতাং সান্দুমগী গোল অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ ৱাই রোহিটনা মিনট ৩ দা চনখি।

এ টু পাৎসোইগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৩ অনন্দনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৯ দা চনখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*